## ও আই সী টিম্না এলওসী য়েংশিনখ্রে

রৱলপিন্দি, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

ইস্লামিক কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (ও আই সী)গী মেম্বর ৬কী দেলিগেসন অমনা পাকিষ্টান-ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)গী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী মনাক্তা লৈবা চাখোতি সেক্তরদা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

পাকিষ্টানি মিদিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ও আই সীগী জেনরেল সেক্রেটরিগীগী জম্মু এন্দ কাশ্মির এফেয়রসকী ওইবা স্পেসল এনভোই য়ৌসেফ অদোবেনা টিম অদু লুচিংদুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখিবনি।

## এম ঐচ ১৭ কী ট্রাইয়েল হৌরগনি

অমষ্টরদাম, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

কুমজা ২০১৪ গী জুলাইদা য়ুক্রেনগী নোংপোকথংবা লমদমদা রসিয়ানা শাবা মিসাইল অমা শীজিন্নরগা কাপথখিবা মালেসিয়া এয়লাইন্সকী ফ্লাইট ১৭ দা তোংলিবা ক্রু অমদি পেসেঞ্জর ২৯৮ হাৎপগী মরাল শীখ্রবা মীচেন ওইরবা রসিয়ন অমসুং য়ুক্রেনিয়ন অহুমগী ট্রাইয়েল নেদরলেন্দসতা মখোয় মশা য়াওদনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগনি হায়রি।

# কাবুলদা চথুবা এটেক্তা মীওই ২৭ শিরে, অফঘান লিদর অব্দুলাহ অব্দুলাহ শম্নাদা হিংহৌরে



কাবুল, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

অফঘানিষ্টানদগী য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোকপা য়ানবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টালিবানগা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখিবা মতুংদা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা চথুরকপা অহানবা মরু ওইবা এটেক অমদা ইরাই নুমিত্তা খুৎলায় পায়বশিংনা কেপিটেলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চথুরকখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবা মীওই ২৬ শিখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী চাওবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ ওইরিবা টালিবান্না এটেক অদুদা মখোয় চেন্নদে হায়না গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মকোক থোংবা অফঘান পোলিটিকেল লিদর অমা ওইরিবা অব্দুলাহ অব্দুলাহ এটেক অদুদা শম্নাদা অশোক-অপন নংহৌদ্রে হায়রি। অফঘান হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না মীওই ৫৫ অশোক-অপন নংখি।

এটেক অদু পোকখায়বগী মখোল অমগা লোয়ননা হৌখি। মফম অদুদা রোকেট অমা তাশিল্লগা পোকখায়রকপগী মওংনি হায়না লৌনৈ। হান্নগী চীফ এগজিক্যুটিভ অব্দুলাহ অব্দুলাহ অমসুং অতৈ পোলিটিসিয়ন খরা এটেক অদুদা অশোক-অপন য়াওদনা নাম্থোকহৌখি হায়বা অব্দুলাগী স্পোক্সমেন ফ্রাইদুল ক্বাজুন্না ফোঙদোকখি।

ব্রোদকাষ্টর তোলো ন্যুজনা শন্দোকপা লাইভ ফুটেজদা নোংমৈ মখোল মরক্তা মীয়াম্না কোইচেন চেন্নবগী শক্তম উবা ফংখি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈ।

অমরোমদা, নাটোগী সোর্স অমনা এটেক অদুদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে অমসুং অরুবা ফিভম ২০ য়াওনা পুন্না মীওই ৪২ অশোক-অপন নংলে হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক চথুরিবা মফম অদুগী অকোয়বদা সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎকী থৌরম অদু টালিবান্না প্রিজনর ওইনা ফাজিনখ্রগা কুমজা ২০১৫ দা হাৎখিবা ইথনিক হজরা লিদর অব্দুল অলি মজারি লৈখিদবগী কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি।

# গুৱাহাতিদগী ভুটানদা থুংলবা য়ু এস টুরিষ্ট অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্লে



থিম্পু, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

ভুটানদা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস অমা কনফার্ম তৌরে অমসুং পেসেন্ট অদু অসামগী গুৱাহাতি ফাওরগা ভুটানগী কেপিটেলদা থুংলরবা য়ু এস টুরিষ্ট অমনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর লোতে সেরিংনা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস অমা মার্চ ৫ গী নুমিদাং অথেংবা পুং ১১ তাবদা কনফার্ম তৌখি হায়বসি ঐখোয়না মীয়ামদা খঙহল্লি হায়না সেরিংগী ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৭৬ শুরবা পেসেন্ট অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভুটানদা থুংখি। ভুটানগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা পেসেন্ট অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২১ দগী মার্চ ১ ফাওবগী ইন্দিয়া খোঙচত্তা লাকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদু ফেব্রুৱারি ১৮ দা ৱাশিংটন দি সীদগী হৌখি। মহাক মশাগী চহী ৫৯ শুরবী মহাক্কী লোইনবীগা লোয়ননা লাকখিবনি। মহাক্না ভুটানদা থুংখিবা মতমদা প্লেন অদুদা ইন্দিয়ন নেসনল ৮ য়াওনা পেসেঞ্জর ১০ তোংখি।

# ইদলিবতা সীজফায়র দিল য়ানরবা মতুং পুং খরগী মনুংদা খুৎ থানখ্রে



অমান, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

সিরিয়ন রেবেলশিংগী অরোয়বা এনক্লেবনি হায়না লৌনবা ইদলিবতা লান লেপখিনবগী পান্দমদা রসিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা সীজফায়গী দিল অমা পুরকখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা ইদলিবগী খা থংবা শরুক্তা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সেস অমসুং রেবেলশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লবা হৌখি হায়রি।

ৱার মোনিটর অমা অমসুং রেবেল সোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা জবল অল-জৱিয়া রিজন্দা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সেস অমসুং টর্কিষ্টান ইস্লামিক পার্টিগী জিহাদিস লালহৌবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকপদগী মীওই ১৫ শিখ্রে। অতৈ মফমশিংদদি হাৎন-শুনবগী ইরাং নেমখি হায়না মীওই কয়া অমদি ওপোজিসন ফোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং লান অদুনা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ফোর্সশিং শৌগৎলিবা রসিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা শগোলশেল নুমিত্তা পুরকখিবা দিল অদুনা লমদম অদুদা লান মপুং ফানা লেপহনবা ঙম্লোই হায়বসি উৎলি হায়রি।

অঙ্কারানা রেবেল ফাইটরশিং শৌগৎচরবসু ইদলিবকী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌরিবা হার্দ লাইন জিহাদিষ্টশিংবুদি লাকশিনবা ঙমদে হায়রি।

সীজফায়র অদু সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা থোক্লিবা থা অহুম ফাওবগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন অমরোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখ্রবা কনফ্লিক্ট অমা লাকশিন্নবগী পান্দমদা পুরকখিবনি। হন্দক্তা অসাদগী ফোর্সশিংনা ইদলিবতা পায়শিনখিবা মফমশিং শোয়দনা থাদোকহনগনি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না চেকশিন্না ফোঙদোকখিবনি। অদুমওইনমক শগোলশেল নুমিৎকী দিল অদুনা হৌজিক লৈরিবা ফ্রন্টলাইনশিংদা শোক্লরিবা লানশিং লেপহনখিবগা লোয়ননা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী ফিভম হেন্না চেৎশিনহনখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি, ইদলিবতা লান লেপ্পবগীনি হায়দুনা মমাংদা পুরকখিবা দিল কয়া মায় পাকখিদ্রবনি। এনালিষ্টশিং অমদি মীওই কয়ানা ইনৌ নৌবা সীজফায়র অদুসু মায় পাক্তবা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্লখি।

# ‘মার্চ থা লোইরকপদা ৱুহানদা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সন জিরোদা লৈরবা য়াই’



বৈজিং, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

চাইনাগী কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টর ওইরিবা ৱুহানদা থা অসিনা লোইরকপদা অনৌবা ইনফেক্সন জিরোদা লৈরবা য়াই হায়না লায়না অদুবু থেংনরিবা লৈবাক অদুগী তোপ পেনেলদা য়াওবা এক্সপার্ট অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ খরনি হন্থরুরবা মতুংদা সিটি অদুদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস হেনগৎলকপগী ফিভম লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নেসনল হেল্থ কম্মিসন (এন ঐচ সী)গী মতুং ইন্না মেনলেন্দ চাইনাদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস ১৩৯ লৈদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপুনবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং ৮০,৪০৯ য়ৌখ্রে। ওথোরিটিশিংনা অনৌবা কেস ১১৯ মমাংগী নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখি অমসুং মদুগী মমাংগী নুমিত্তনা ১২৫ রিপোর্ট তৌখি।

ওফিসল পিপলস দেলিগী ইন্টরভিয়ু অমদা এন ঐচ সীগী মকোক থোংবা ওফিসল ঝাং বোলিনা হায়খি মদুদি, ৱুহান্না কেপিটেল সিটি ওইবা হুবৈ প্রোভিন্সকী মপান্দা লৈবা চাইনাগী লমদম পুন্নমক্না হৌখিবা থাগী অরোয়বা ফাওবগী মনুংদা অনৌবা ইনফেক্সনশিং থিংননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনখি। লাইচৎ অদু শন্দোকখিবগী দেতাদা য়ুম্ফম ওইরগা হুবৈগী অতৈ সিটিশিংদা মার্চ থাখায় ফাওবগী মনুংদা অসিগুম্বা টার্গেট এচিভ তৌবা ঙমগনি হায়না পান্নৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হেল্থ কম্মিসনগী মতুং ইন্না হুবৈগী ৱাংমদা মেনলেন্দ চাইনাগী অতৈ মফমশিংদা অনৌবা কনফার্ম তৌবা কেস শুপ্পগী ৫ দমক লৈখি। মেনলেন্দ চাইনাদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌখিবদগী য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা পুন্না মীওই ৩,০৯২ শিদুনা মমাংগী নুমিত্তগী ৩১ হেনগৎখি। ৱুহানদা ২৩ শিবা য়াওনা নৌনা শিরিবা পুন্নমক্তু হুবৈ প্রোভিন্সতা থোকখিবনি। ফিভম অসিদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ভাইরস অসি মপানগী অনৌবা মফমশিংদগী শন্দোরপা থিংনবা হোৎনবদা ওইনা মীৎয়েং থম্লে হায়রি।

# কারাচিদা বিল্ডিং নীংখায়বদা মীওই ১৮ শিরে



কারাচি, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা অকায়-অতোয় মরক্তগী অহেনবা অশিবা হকচাং ৮ লৌথোকখিবগা লোয়ননা কারাচিদা মী লৈনবা বিল্ডিং ১ নীংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ১৮ য়ৌরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মথোল মঙাগী বিল্ডিং অমা শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা রিজবিয়া কোওপরেটিভ হাউসিং সোসাইটিগী মনুং চন্না নীংখায়খিবদুদা মীওইদজল কয়া অকায় অতোয়শিংনা ফুমজিনখি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

কারাচি সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অস্লম রাওনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন শগোলশেল নুমিৎকী অহিং চুপ্পা লেপ্তুনা চথুখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তসু মখা তানা চথুখি। অকায় অতোয়শিংনা অতৈ মীওই কয়া ফুমজিন্দুনা লৈখিবদগী তঙাই ফদনা ওপরেসন অসি চথুখিবনি। বিল্ডিংগী ইরোয় লোইবা মতেক মকায়শিং লৌথোক্লিফাওবা মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসনশিং লেপখিরোই হায়না ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অশিবশিংগী মশিং কনফার্ম তৌরদুনা অবাসি সাহিদ হোস্পিটালগী মিদিকো-লিগেল ওফিসর অমা ওইরিবা সোহাইল খান্না এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, শিখিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী ৭ অমসুং অঙাং ৩ য়াওখি। য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ৩৬ না অশোক অপন নংখি। লন্বী খুবা অমদি চিনমনবনা মরম ওইদুনা মী থিবা অমদি কনবগী ওপরেসনশিং য়াম্না ৱানা পাঙথোক্লি।

অনকপদা লৈবা বিল্ডিংশিংসু নীংখায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা মখোয়না অকায় অতোয়শিং লৌথোকপদা য়াম্না চেকশিনবসু চঙই হায়না রেস্ক্যু ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। মফম অদুদা লৈবা অতৈ বিল্ডিং খরদি মখা তানা মীশি-মীনা থোক্লকপা থিংনবা ওফোরিটিশিংনা মী অমত্তা লৈহনখিদ্রে হায়রি।

# টর্কিদা লৈবা মাইগ্রেন্টশিংগীদমক্তা ঈ য়ুনা শেল হেন্না পীবা পাম্মী



ব্রসেলস, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

টর্কিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংগীদমক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা অহেনবা শেনফমশিং পীবগী ৱাফমশিং য়ানিংই, তৌইগুম্বসুং অঙ্কারানা মখোয়বু য়ুনিয়নগা মন্তিক্লবগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবদি তৌরোইদবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ঈ য়ুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অঙ্কারানা হৌখিবা চয়োলদা ঈ য়ুগী মতেং লৌবা য়ানবা টর্কিদা রেফ্যুজিশিং অমসুং মাইগ্রেন্টশিং থম্নবা কুমজা ২০১৬ দা ব্রসেলসকা য়ানখিবা দিল অমা মখা তানা ঙাক্লরোই হায়না লাউথোকখিবদগী ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা অহানবা ওইনা টর্কিগা মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবগী পান্দমদা মীফম অমা পাঙথোক্লিবনি।

টর্কিনা য়ুমথংনরিবা সিরিয়াদা থোক্লিবা সিভিল ৱারনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেল্লকখিবা রেফ্যুজি মিলিয়ন ৩.৬ রোম চঙজফম পীদুনা লাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্লা সিরিয়াদা মখা তানা শোক্লরিবা লান্না মরম ওইদুনা য়াম্লবা অহেনবা রেফ্যুজিশিং চঙশিল্লকপা য়াবগী ফিভম অমসু মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।

মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অসিনা মখা তানা অহেনবা মাইগ্রেন্টশিং অমসুং রেফ্যুজিশিং লৌশিনবা ঙম্লরোই হায়দুনা লাকপগা লোয়ননা ঈ য়ুবু মাইগ্রেন্টশিং থেংননবগী মতেং মতিক চানা পীরক্তে হায়না মরাল শীরিবনি।

টর্কিনা হৌজিক অচৌবা পোৎলুম অমা পুদুনা লৈরি। মসি ঐখোয়না খঙফম থোকই হায়না ঈ য়ুগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেফ বোরেলনা ক্রোএসিয়াগী কেপিটেল জগ্রেবতা পাঙথোকপা মীফম অমদা শরুক য়াবা লাকপদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না অঙ্কারানা গ্রীসকা লোন্নবা বোর্দর হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবদুগী মতাংদা পল্লদুনা মাইগ্রেন্টশিংবু প্রেসর পীনবগী পান্থে অমা ওইনা শীজিন্নবদি য়ারোই হায়খি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

NOTIFICATION
Imphal, the 3rd March, 2020.

*No. 7/90/2018-SW(MSK) :* In supersession of Notification of this Department of even number dated 19/9/2019, it is hereby notified that the interview for all the candidates who had applied for engagement of contractual staffs for the following posts under Mahila Shakti Kendra (MSK) will be held at the Directorate of Social Welfare, Government of Manipur as per the following schedule given below:

| Sl. No. | Name of Post & Roll No. | Date of collection of Admit card | Date & Time of Interview |
|---|---|---|---|
| 1 | District Coordinator, Chandel including Tengnoupal (Roll No. 1 to 24 ) | April 1 to 4, 2020 | 6/4/2020 (10:00 am to 1:30pm) |
| 2 | Senapati including Kangpokpi (Roll No.1 to 53 ) | -do - | 7/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 3 | Churachandpur including Pherzawl (Roll No.1 to 40 ) | -do - | 8/4/2020 (10:00 am to 2:30pm) |
| 4 | Churachandpur including Pherzawl (Roll No.41 to 72) | -do - | 9/4/2020 (10:00 am to 2:30pm) |
| 5 | Thoubal including Kakching (Roll No.1 to 33 ) | -do - | 14/4/2020 (10:00 am to 2:30pm) |
| 6 | Tamenglong including Noney (Roll No.1 to 57) | -do - | 15/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 7 | Imphal East including Jiribam (Roll No.1 to 45 ) | -do - | 16/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 8 | Imphal East including Jiribam (Roll No.46 to 90 ) | -do - | 17/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 9 | Ukhrul including Kamjong (Roll No.1 to 43) | -do - | 18/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 10 | Bishnupur (1 to 42) | -do - | 20/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 11 | Imphal West (1 to 40) | -do- | 21/4/2020 (10:00 am to 3pm) |
| 12 | Imphal West (41 to 80) | -do- | 22/4/2020 (10:00 am to 3pm) |

Further, the **Special DPC** for the petitioners of WP (C) No. 158, 97, 122, 133, 134, 209, 238, 239, 260, 353, 728, 327, 46 &27 of 2019 and 45 of 2020 will also be held at the Directorate of Social Welfare as per the following schedule given below:

| Sl. No. | Name of Post & Roll No. | Date of collection of Admit card | Date & Time of Interview |
|---|---|---|---|
| 1 | District Coordinator Spl.C 01-16 | On or before 15/3/2020 | 18/3/2020 (10: 00am- 1:00 pm) |
| 2 | Women Welfare Officer Spl.C 1- 2 | -do - | 18/3/2020 (2:00pm – 2.30 pm) |

Candidates shall report at the Directorate of Social Welfare along with relevant documents at 9:30 am on the day of interview.

-Sd/-
Director (Social Welfare), Manipur

HL-P/6578/7,8

## স্বিদেন্দা কোভিদ-১৯ কেস ৯৪ শুরে

ষ্টোকহোম, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

শগোলশেল নুমিৎখক্তদা অহেনবা মীওই ৩০ অমসু চাংয়েংদা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা স্বিদেন্দা কনফার্ম তৌবা ভাইরস অসিগী কেস মশিং ৯৪ শুরে হায়না লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্থ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা গাভলেবোগ কাউন্টিদা মফম অসিগী অহানবা কেস রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা স্বিদেনগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস কনফার্ম তৌনখি। পেসেন্ট অয়াম্বা কেপিটেল ষ্টোকহোমদা লায়েংখি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ষ্টোকহোম কাউন্টি কাউন্সিলগী মেদিকেল ওফিসর পের ফোলিনগী মতুং ইন্না ইনফেক্টেদ পেসেন্টশিং মখোয় মখোয়গী তংদাংবা তঙাইফদবা ফিভমশিং য়েংদুনা ইনফেক্সন ক্লিনিক নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা তোঙান্না থম্লি।

# সাউথ কোরিয়নশিং তোঙান্না থম্বগী মতাংদা জপানগী এনভোই কৌখৎখ্রে



সিওল, মার্চ ০৬ (এজেন্সি) :

জপান্না সাউথ কোরিয়ন ভিজিটরশিং চয়োল অনী তোঙান্না থম্নবা ৱারেপ লৌখিববু য়ানিংবা ফোঙদোক্লবগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়ানা জপানগী এনভোই কৌখৎখ্রে।

হৌখিবা চহীদা লল্লোন-ইতিক্কী মুক্নবা অমা থোকখ্রবা মতুংদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী থৌদৌনা অনৌবা মুক্নবগী ফিভম অমা লৈবাক অনীগী মরক্তা লাকহনখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা জপানগী এনভোই কৌখত্তুনা টোকিয়োদা জপানিজ ওথোরিটিশিংনা লৌখিবা ৱারেপ প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা চাইনাগী ৱাংমদা থোকপা খ্বাইদগী য়াম্বা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং ওইনা পুন্না ইনফেক্সন ৬,৫৯৩ কা লোয়ননা মীওই ৪২ শিখ্রবা সাউথ কোরিয়াদগী লাকপা লমকোয়বশিংবু কন্ট্রোল তৌনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনরিবা লৈবাক ১০০ রোমগী মনুংদা জপানসু অমনি। জপান্না সাউথ কোরিয়াগী কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা মফমশিংদগী লাকপা ভিজিটরশিং লৈবাক অসিদা চঙবা থিংবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা চঙলকখ্রবা মীওইশিংবুনা চয়োল অনী তোঙান্না থম্নবা ওর্দর তৌখিবনি।

জপানিজ গভর্নমেন্টনা মখোয়গী ৱারেপ হন্দোক্তবা তারবদি ঐখোয়না মখোয়গী মায়োক্তা মান্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপা য়াওনা তঙাইফদবা লমন খুন্বগী খোঙথাংশিং লৌখৎপা নত্তনা অতৈ তৌনিংঙাই লৈতে হায়না ফোরেন মিনিষ্টর কাং ক্যুয়ুং-হ্বানা জপানিজ এম্বেসেদর কোজি তোমিতাদা হায়খি।

সিওলগী মায়কৈদগী ট্রাভেল রেষ্ট্রিক্সনশিং থম্বগী মায়োক্তা দিপ্লোমেটিক ওইবা পান্থেশিং শীজিন্নদুনা জপান্নচিংবা লৈবাকশিংদা তক্লবা লৈনা লৈনা মাঙজৌননা নোটিস থোকপা নৎত্রগা মতিক চানা তান্নরম্বা তৌদনা কোরিয়নশিংবু তোঙান্না থম্নবা টোকিয়োনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসি কন্দেম তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।